ৱারী ককনাউ

# শোয়খোদনা...!

হন্দক হাপ্তাসে তা মোবিসি মদাও অমা ইয়া য়াদবা হায়দুনি। মী হায়সিনবু শোয়য়ু হায়না তন্নদি পংশোয়দা শোয়থরকপজাৎনি। অমা শোয়দনবা হোৎনরিঙৈদা অমদা হেক্তা শোয়জিল্লকপা। অশোয়বশিং অদুনা পুনশিল্লগা ঙসিদি তা মোবি মকোক শঙবাইমুক চাউরগা উকুদা ফমদুনা লৈরে। তৌবৈদি তা মোবিসি তান চাদনা য়াম্না শোয়। মানা শোয়রিবসি নুপী অনীদনি। অহানবগী নুপীদুসু শোয়দুনা লৌবনি। মাগা হান্নগা নুংশিনদনগা লৌবা নত্তে। মাদি অতোপ্পা নুপী অমা কোয়জবনি। কমাইনা কায়নরিনো হায়বা ঙমদে। শোয়বদগী কায়নখিবনি, নোংমা ফাগি অমা তৌনরুবদগী ফাগি ফাগি সুম শাউনরক্তুনা কায়নবা হায়দু ওইখি। মতমদু নুপীদুগী মমা মপানসু হায়ন-শিংনদুনা ময়ূম পান্নবা কন্না হোৎনবা তাঞ্জা ওইখিবদুনা তা মোবিগা হেক কায়নবগা অদুম থা ফাদে, লুহোংখিবনা হাল্লি। মদুগী ইকায় খাঙ কং কোৎপদা নুপী অহল শান্তিদু অহলশিংনা হায়নরগা লুহোংখিবনি।

নোংমা তা মোবিহোইগী ওফিসতা থবক তৌবী ববিনাগা ওফিসকী ওইবা থবক অমা খরা লাপ্তুক তৌবা মফম অমদা চৎপনি। অদুদা লন্বী মপান্দা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা ফাগি ফাগিদগী কৈনোমা চাখিসি হায়না চংলুবদা, রেষ্টুরেন্ট ড্রাইভ লাকপা কাঙবুনা থেংনবদগী ফারগা কৈন্যা কৎলকপনি। মাগী নুপী অনীমক শোয়বদগী লৌখিবনি হায় তারে। হাপ্তা অমদা অহলগীদা নিংথৌকাবদগীনা য়ূমশকৈশা ফাওবা নুপী অহলগীদা লৈবা, শগোলশেলদগীনা নোংমাইজিং ফাওবনা নুপী অতোনবীগীদা লৈবা, অসুম্না পাল্লি খায়দোক্লদুনা লৈবনি।

মমাঙগী নিংথৌকাবা নুমিত্তু, লৈকায়গী ষষ্টি পুজা অমা চৎপদা নহা খরগা থেংনদুনা ফমথরুবদগী কা অমা হেন্না হেনজিনখিদুনা মীনা পোরগা ময়ূম তান্না থিল্লকপনি। নুমিৎতু মাগী নুপী অহলনা মাগী পালি তাই হায়দুনা ফনা থেংলফাওবা ঙাইজবনি। হল্লকমন্দবদুদা থোঙ লোনশিল্লগা তূম্বনি। মীনা পোরগা মাঙ্গোলদা থনম্বা তা মোবিনা নুপী অতোনবীগী মীং কৌদুনা মাঙ্গোলদা ফমলাও লাওবনি।

"তারিবরা, ববিনা...ববিনা...ঐ লৌশিল্লু লাওনে"। ইমুংদগী ঈ কাদুনা লৈরিবা শান্তিনা থোঙ গে লাওনা হাংদোরল্লগা, "শ্বাইদা লাও খোংদনা তৌগনু তানীংদে, ঐগা লৈমিন্ননীংদদনা য়ু তপ তাখে থকচিল্লগা লাক্লি নৎত্রা ? অদুগসু অতোনবীগী মমিংগা কৌদুনা, নশক্তু য়েংনীংদে।"

"এ! শান্তি ঙসি নঙগী পালিরা? ওকে ঐ অমুক্তা থাংজিল্লু, ঐ হৌগৎপা ঙমদ্রে, খরা হেনজিনখ্রে"

"য়ু ঙাওবা নঙবু থাংজিন্নবা ঐ লৈরিরা, অতোনবীদা হায়য়ু" হায়রগা থোঙ গম লাওনা থিংজিনখি।

"শান্তি শান্তি..." লাওদুনা লৈহৌরে। থংনবা কাদা লৈরিবা ববিনা ঙসাইদগী ঙাঙনরিবদু তাই। মানা থোঙ হাংদোরল্লগা, থোঙ লোল্লিবা কাদুদা হায়ফেৎ য়েংলগা মুরুম-মুরুম শোল্লি।

"কৈনেগে অসুক মবুক ফত্তবসিবো? মশা মশাগী নুমিৎনি খঙঙদি ঙাওগেরা ফৈগেরা লৌশিনগে হায়দে"

"ও! ... মাই স্বিট হার্ট" তা মোবিনা য়াম্না রোমান্তিক ওইনা কৌজে।

"তানীংদেহে নঙসু, নশাগী লিমিৎতগী করিগী হেনজিন্না থল্লিনো?" অতোনবী ববিনানা মাগী নুপাগী মশা শাগল পায়খৎতুনা চিংখৎনবা হোৎনরি। মচিনদি লেপতে ঙাঙলিবা...

"ঐগী নুমিৎ নত্তে। অদুবু সিদি ঐনা মাঙ্গোলদা তারম্বদগী খুঞ্জবনি, হয়েং ঐগী নুমিত্তগী ককথগেগা হায়রক্কনিকো। মদুমা য়ারোইকো। লাকওসে, অখুনবা..." পুশিনখ্রে। থোঙ লোনশিনখ্রে। ইমুং য়ৌরগা ফমুংদা তা মোবিদু ফদ্রাক লাওনা তাই। অদুগা মশাদু খিত্তং চেপথরগা কৌরকই।

"শান্তি শান্তি... মাই দার্লিং..." নুপী অতোনবীদু পিং লাউরকই।

"ঐ শান্তি নত্তে, য়াম কৌনীংলগা চৎলো কৌরুরো চৎলো, সিদা শান্তি কৌবা য়ারোই" ফেৎ লাওনা লৈথোল্লগা ফমুংদগী ইন্থরল্লগা, ফম্মাংদা গোরোং গোরোং হেক তাই তা মোবিদু। পংশোইদা শোয়বদগী অৱাবা তারবা তা মোবিদু কপখৎলকই।

"ৱা অমা শোয়বগীসু ঐবু অসুক য়াম ৱাহল্লিসিবু কৈগীনো? ঐবু কয়ামুক য়াম্না লাল্লগে। ঐসু মীনি নুপী অনীগী মপু ওইরিবা ঐনা অসুম্না লৈবাক্তা হিপ্পসিবু হৌনব্রো?"

অসুম্না থৌদোক থোকখিবা নুমিৎতুদগী তা মোবিসি মথ্বায় ইনুং নুংঙাইতে। চানি-থকনি খঙদনা য়ূমদগা কয়া হঞ্জিন্নীংদ্রে। অদুননি মানা লৈকায়গী উকু মথক্তা ফমদুনা মকোক চাউরিসে।■

– *নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

*ডা. কুঞ্জেশোর তেনসুবা*

(হান্নগী মখা চথজরকপা...)

লাইবক্লা সুম থোকই তমখিদুনা, সমুদ্রগী খোঙচৎ অমসুং ক্বারেন্টাইন মনুংদা অৱা-নুংঙাই কয়া শরুক য়ামিন্নরকখিবা অভয়া অমসুং রোহিনী বাবু অনীবু চিদাই অমদা থনম্লগা ঐনা অতোপ্পা চিদাই অমদা লৈফম লৌদুনা লৈখি। ঐনা অমুক হন্না মখোয়গা উন্নদ্রিঙৈ থা মখায়মুক্কী মতমদুদি নুংঙাইনা লৈখি। মতমদুগী মনুংদো মহয় য়ান্দ্রবসু অচেৎপা থাজবা থমদুনা থবক থিবদা থৌ চিনখি। নুমিৎ চুপ্পা মফম কয়া কোয়না চৎলুরগা নুংদাং অথেংবদা হকচাং পুমতেক তেক্লা চোকথনা হঞ্জিল্লকই। বেঙ্গলদা থবক থিবদা ৱাবদুদগী বর্মাদনা করিসু হন্থবা নত্তে হায়বা ৱাখলসি খল্লকপা মতাংসিদা ঐনা খঙহৌদনা রোহিনীগী ৱাখল খল্লকখি। মানা ঐঙোন্দগী হেন্না খুদোংচাদে মরমদি, বেঙ্গলগী খুঙ্গংগী ৱাসিদি মাসু ঐদৌনা খঙঙি, ঐনবু পাল্লবদি ঐদি ইখুঙ্গংদা অমুক হন্না চৎপা য়াই, অদুগা মাগীদি মসিগী খুদোংচাবসি খরা ৱাৎলি হায়বসি ঐনা খঙঙি। মখুত্তা পায়রম্বা শেনসু শীজিন্নথোকখিদুনা য়াম্না লৈত্রে। মাগী তৌগদবা পাম্বৈদি থবক অমা থিবা হায়বসিনি। ইশানা থেংনখিবদগী ঐনা খঙবদি, মসি হায়বদদি লায়বা তৌবদদি লুবা থবক্লি। মাদি চমজবা অমসুং অঙাংদৌনা তৌবা মওং খরা লৈবনা, লোয়ননা নুপী অমগী সেবা হোৎনবদা - থবক অমা ফংবা য়াবগী তাঞ্জাসিদি ঐঙোন্দগী মানদুম হেন্না ৱাৎলে। মখোয়গী খল্লুবদদুম ৱারে অদুনা মতংগী নুমিত্তা চৎলগা মখোয়গা উন্নরুগে খল্লে।

মখোয়না ৱায়দুনা লৈরিবা য়ুম মচাদুগী ইংখোলনুংদা চঙলুবা মতমদু নুংদাংৱাইরম ওইরে। য়ূমগী মাঙ্গোলদা তা - রোহিনী মায়থোং মকশিন্না অৱাবা মওংদা ফাল অৱাংবী অমদা ফমদুনা লৈরম্মী।

"শ্রীকান্ত বাবু, কমদৌবিরি ?" কয়া হৈনিংদনা মওংদা মানা হায়রকই।

"নুংঙাইজরি", খুন্নগা হংলুই, - "অদুগা তাদদি"?

"য়াম্না নুংঙাইজরি। মনুংদা লেংশিল্লু মহাক মাগী কাদা লৈবনি।"

"ঐবুদি চঙজগে, তাদসু য়াওনা লেংশিল্লসি?"

"ঐদি সিদা ঙহাক ফমদুনা লৈজহৌখিগে। নুমিৎচুপ্পা থবক কন্না শরুরবদা শিগদৌরে। ঙহাক পোত্থানিংঙি।"

থুনা শিরগদবগী খুদম মাগী মায়থোংদা উদ্রবসু ঐ চমম্নবা ফাওই অমদি পূক্লিং হাইফেৎ নুংঙাইখিদে। মানা অসুম্না তৌরকপা মওংসিদি মমাঙদা অমুক্তসু উখিদ্রি। জহাজদা চৎলিঙৈদা অমসুং ক্বারেন্টাইনগী মনুংদা মহাক তুশোন্নবা, ঈংতপ্পা মী মানখিবনি। মাগী মতীং লৈবা, চীং লেম্বা অমসুং মশাবু মমল লৈহনবগী মতৌসি অসুক কুইনা কদায়দা লোত্তুনা থম্লুবনো খনবদা ঐ ঙকখি। থবক শূবদা শিগদৌরে হায়বা ৱাতাসিবু ! - মদুগী নুংগী ৱাপুবু করিনো ? থবক থিবদা মাসু ঐগুম্না ৱানা মখোঙ শ্রো শ্রো চিংদুনা রেঙ্গুনগী লন্বী সোরোক পূন্বা থুংনা চৎলমগদ্রা ?

নীংজিং-মাঙজিং তৌনা ঐনা সিড়ি কাখৎফমদা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা থোঙ মরুমদগী অভয়াগী মশক উরক্লে। হায়ফেৎ নোক্লগা চঙলকউ হায়না মখূৎ খৎলকই।

"লাকপীরো, তা-রোহিনী", ইহৈ হৈনীংদনা ঐনা হায়, "ঐখোয় মনুংদা ফমদুনা ৱারী খরা শানরুসি।"

-মথং-মথং

# মমিগী খোন্থাং

লম্ফেলপাৎ! ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী লম্ফেলপাৎ! হৌজিক্তি মীনা মায়কৈ খুদিংদৈ খুন্দাশিনখ্রে। লৈঙাক্কী ওফিস, ক্বার্টর ময়াম অমা শাজিনখ্রে। মতম অমদদি লম্ফেলপাৎ নাপীনা পূমশং শংনা লাঙ্গোল চীংশাং পরেং ফাওবা শন্দোক্ললমই হায়বসি খঙলরোই। মপূংদা লমহাংনি। মরক মরক্তা কোমকুৎ, খোঙবাল লৈ। তিঙ্খং, চাখোং পান্বী হৌরম্মী। অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগী পাক্লবা ষঞ্জাবুংনি। মতমদুদা লোয়বা ষণ খূৎলোইদি অয়ূক্তা ষণ থাদোরক্কনি। লম্ফেলল্লোমদা মরনাই কুমখিনি। নুমিদাংৱাইরমদা ময়ূম শঙ্গোল্লোমদা হঞ্জিনজরক্কনি। থিনরুবা লৈতে। হোইগৎনরুবা তৌদে। ষণগারকপা মতম-কা হায়বা ৱাহৈ নাচোমসি মতমদুদা শীজিন্নরম্বনি। সনধ্যাদা ধুপ থাগৎনরক্কনি। অনকপা অরাপ্পদৈ সনধ্যার্ত্তিগী কাংশি, শরিক খোঞ্জেলনা মায়কৈ পূন্বা নিনগনি। মকুম মথা শুরবী ষণবী, নৌনা পোকপা মচাগা পূন্না হনমিন্নরকপা ষণগারকপদা তোয়না উবা দৃশ্যনি। ঐখোয় অঙাংশিংনা তেলঙ্গা পাইদুনা শান্নে। খরা চাউরবশিংনা বোল থোম্বী, ফিবুল হাবী, ফুটবোল মচি মচিদা শান্নে। ষণ মচা পোকপা, ষণ ৱাইনবা, ষণ লোইতান্নবা ঐখোয়না নুংতিগী থেংনরকপা কুম্মৈনি। অমুকখক্তি ইরোই ৱাইনবা উখি। ঐখোয় ইরোই তোংদুনা শান্নরকই।

ইরোই তোংবা লুৱাওবা
শগোল তোংবা থীনেৎপা

ঐখোয় ঈশৈদৌনা লাওদুনা শকই। করি হায়রিনো খল্লুদে। ইরোই তোংবা ৱাওই হায়দি খঙই। শগোল তোংবগা থী নেৎপগা কদাইদা পুনশিন্নরিবনো খঙদে। মতমদুদা সিগুম্বসি খন্থরুবা নত্তে। ইরোই তোংনা তোংনা ঈশৈদৌনা অদুম শকই, অদুম লাওই। উরোক শঙ্গু শঙ্গুসু পাইবা উই। ঐখোয় অঙাংশিংনা পুমশং শংবা নাপী মথক্তা খরনা ফমদুনা খরনা চোংদুনা লাউই।

উরোক খোঙশাংবী
নখোঙ কাতি উরে

অশংবা নাপীগী লমহাং, থাপ্না উবা মুনা শঙলবা চীংশাং, নোংচুপ চীঙ্গোলগী চোংঙা মরূম মচুগী অতিয়াদা লৈথরল্লবা নুমিৎনা লৈ মচুগী অপাবা ফিজং খন্থরকপা, ঙৌরোক ঙৌবা উরোক্লা শঙ্গু শঙ্গু পাইবা - অঙকপা মচুগী কুম্মৈনি। নুমিদাংৱাইরমগী লম্ফেল পাৎকী মায়থোঙনি।

নুমিদাং ঙল্লিঙৈদা লমহুই খোংবা তাই। হুইয়া হুইয়া। য়ূমগী হুইসু ওক্তুনা খোংই। গৌ গৌ। ইরোই ৱাইনবা অমুকখক উবদুদি ঙক্লা য়েংই। অমনা মরাইবক মউন হুন্দোকখিদুনা তোংশা ইঙাঙ ঙাঙনা উই। অমগীনা মচি মতেক অমা তেকই। শুকহন হন্নদে। অহল খরনা হায়দুনা পাখং খরনা চৈ, লৈতুম পায়দুনা য়াম্না ৱানা খামদোকই। ফি ফি কামদুনা ৱাইননীংবগী মওংদা কোয়লৈ লৈদুনা লৈ - ৱানা খামদোকই। অহলশিংনা হায়, থথা নত্তে ইরোই ৱাইনবা। শিনদৌরিবনি। য়েংঙু নুমিদাং মকোলদগী থৌরী থদত্তুনা অমনা অমবু থিগদৌরিবনি। চীংদগী শজি হাতম অমা লম্ফেলদা চেন্থরকপদগী লম্মাংনদুনা ময়াম চংদুনা কোয়তান তান্নবা নীংশিংই। শাবৌ অমসু নোংমা লম্ফেলপাৎতগী লৈরক খুল্লক য়ৌশিল্লকপদা পাখংশিংনা তান্নদুনা হাৎলি। মতুদু কাপ কাপ্তুনা কোয়চেন চেল্লি হায়। নাকল অনীমক মচিন পানবা অমুবা অঙৌবনা লাংবা শাবৌগী মতুদু ঐখোয় অঙাংশিংনা থিদুনা খুল্লি। ফুটখায় অমরোম শাংই। ঐখোয়না ৱারী শানৈ। মাগী মতুসি লোইখিবগী হাৎপা ঙন্বগী ৱানি। মসিনা পাল্লবদি হূ কাদুনা শিগনি। পাইবং মথী হায়দুনা অমসু উরকই। হায়নৈ পাইবং হায়বা শাদুদি মাগী মথী ফাইবম য়ৌদ্রিমখৈ ফায়দে। ফায়নীংলক্লবসু অকংবা নাপী-শিংবী মথুন্দা নমশিল্লগা মাগী মফম য়ৌনবা চেল্লকই। অদুনা মথীগা নাপী শিংবীগা তোৎশিন্নদুনা ইকং কংনা তাবা উই।

লম্ফেল শা উচেকশিংগী তাইবঙপান মচা অমনি। মফমসিদা মখোয় মচিঞ্জাক চাই, শজিক চাই। মথী ফাই। ময়ুং হাল্লি। খোংবাল লুক্লাংদা ঈশিং থকই। ৱাইনৈ। লোইতান্নে। মচা পোকই। লৈকুৎ লৈরাইদা পুথদুনা শিবসু য়াওই। ঐখোয়না থেংনরবদি চিংখৎপী। ষণনাওনা মখোম থকপা উরবদি মঙ্গল ওইরে লাওই। সুম চৎপদা উবা হানবা তান্নে। শা-ষণ অশিবা লম্ফেলদা লংথোকই। লংজা ক্লাক লৈ শরূ ঙারূ তাই। নোং তারদি অকুৎপা ঈশিং তুংবা থিদুনা ঈশিংৎতুনা ঙা ফায়। লোং খোনবী, লোংথ্রাই ইনবী, তুঙ্গোল য়ানবী লম্ফেলদা উরম্বা দৃশ্যনি। অমুক উররোই। আহ, নুংশিদা!

লম্ফেলগী অকি-অখংগী ৱারীসু লৈ। ঐখোয়গী ইবোক ঙা ফারুরগা অহিংদা য়ূম হল্লকপদা লম্মাংনদুনা য়ূম শুংয়ৌ য়ৌদবগী ৱারী লৈ। কাইনথংদা মী অমা থেংনদুনা মানা ইরেল লন্বী তাকপীদুনা নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা য়ূম য়ৌরকই। ঐখোয় অঙাংদি লৌদ্রাওবী থেংনগনি কি - অমম অথেংবদা, নুমিৎ চপ য়ুংবদা লম্ফেলদা চৎতে। লৌদ্রাওবী থেংনরবদি খুয়াগী অথাবা উনশাসি লেকথোকখ্রগা চৎপা ঙমহনদ্রগা ফাদুনা মনাক্তা থম্মী। মৱা ওইথোকই হায়। অদুম তৌরবদি লফু চনাম য়েৎশিন্দুনা চেল্লক্কদবনি হায়। অমনা লমখন থেংনরবদি মাঙলে। লমখন হায়সি থেংনরবদি নঙনা লৈরিবা মফমদু ঙমখৈ নাইরক্তে। অসুম পাকথোকখিদুনা চৎফম খঙলোই, খরা চৎলুরে হান্নগী মফমদা পোপ তাগনি।

ঐ শোন্দম নাদম্বা অঙাং অমা ওইনা হৌরক্ত্রবসু, উ অৱাংবা কারক্তে। কিজৈ। মার্ব্বল শান্নবদা, নাওরি কাপ্পদা খূৎ চুমদে। লৈহাওদা তোংবা শেন্দ্রাং অমদি নোংমা পান্দুনা শিখি। নুমিদাংৱাইরম চোংঙা শঙ্গু পাইরকপদা নাওরি কাপশিনবদা অমা পানখি। মতু ময়াম অমা ৱা কেল্লকখি - তারক্কদবা মাল্লম্লগা অমুক পাইখৎখি। শঙ্গু মরক্তা তিনখি। শাফু কয়া কনখিদবরা? মমৈগী শরুক্লোমদা নকশিন্না পাল্লুব্রা? অমুকখক্তি উচেক অমা ঐনা নাওরিনা কাপ্তুনা হাৎখি।

শিখিবা উচেক্তু লমখুনুনি। লমখুনু জুরা অমা ৱাতোন্দা তোংমিন্নরম্বদগী নাওরি কাপ্পদা অমা পান্দুনা শিখি। খূৎ চুমগন্দবা ঐনিনা পানগনি নীংদুনকা লুমদুনা শীঙদুনা কাপ্পা নত্তে। চুম্না সুম কাপ্পনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি লোংগাড়ী ওনবা, নাওরি কাপ্পা, মার্ব্বল শান্নবা শ্বর হোনবগুম্বনি। পুন্সিগী শরুক অমনি। লমখুনুদু পান্দুনা তারকপদা হরাওদুনা ৱাখোঙ তম্না চেনশিল্লি। শিরমদ্রি। ঐনা চঙশিনবদা মা লেংঙি। মসাদু শন্দোক্তুনা মথাদা শৌরগা তাদুনা লৈ। পাইদুনা চেন্নীংবা মাল্লি। ঙমদি ঙমদ্রে। ঐ ইথন্তনি। হান্না কোয়বা হৌখ্রবা ঐগী মরুপ-মপাং থিরকপদা থেংনদুনা কাপ্পনি। উচেক্তু খুন্দুনা ঐ পুদ্রে। মরুপ-মপাংশিংদো নক্লা লৈ হায়বা শমিন ফংলে। মখোয় হান্না কৌনীংলে। মখোয়দা উৎনীংলে।

ঙাইহাক লৈরগা মরুপশিংদু হৌরুরগা ঐখোয়না হেক য়ৌশিল্লকপগা উচেক্তু অরোইবা খোঙ্গাও কাওরম্লগা শিরে। ঙসাই তাহৌবা মফমদুদগী খরা লাপথোক্লা লৈরম্মী। মফম হোংলম্মী। নোংমা, থৌনাইদবা নুংথিল অমনি। নুংথিল পোবোপ্তুগী ফনা লৈথরে। লম্ফেলদা হান্না শান্নবা চৎখ্রবা ইমান্নবশিং খোঙ্গুল লিরিবনি। অসুম চৎলম্বদৈ মচি অমদা চপ লেপ্তুনা লৈরে। ফজবগী পাক্লবা ঈপাক অমদা ঐহাক ইরাক্লরে।

নুপামচা অমা ঙসিতা ইহান হান্না মী ওইরিবগুম ফাওজৈ। পুন্সিগী অহানবা নুমিৎনি। পাক্লবা লমহাং অমদা মা মথন্তা লেপ্তুনা লৈ। য়েংখি য়েংখিবদা ইথন থল্লি। ফজৈ। ময়েক লানা ফজৈ। মথন্তা নাইতোম তাবগী নাহেবদু ঙসিদি তৌদ্রে- মঙালনা লমহাংসি ইথন থল্লি। মা মথন্তা মফমদুদা লৈজরবসু মথন্তা নত্তবদৌনা থৱায়গী মরূদা ফাওই। শকউদবা অমা লৈবগুম ফাওই। ফজবনা কুপ্লবা লমহাংসিদা। মপান্থোংগী মীৎনা উবা ঙমদবা মায়থোং অমা উব্রা? নাকোংনা তাবা ফংদবা খোঞ্জেল অমা তাব্রা? উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা। ঐগী মীৎনা উবা ঙমদবা পোৎ লৈ হায়বসি নহালমখৈ পূক্লিংদা ফাওরুদে। ঐ লৈবা লৈতবা তাইবঙপান্দি অদুম মরৈ। ঙসি ইমাঙদা ঙান্থোইদুনা লৈরিবা অহিংবা তাইবঙপান অসিনা ফজবগী ফিজোল থোন্দুনা মমাঙঙৈদা অমুক্তা উদ্রিবগুম ঙসিতা ইনৌ নৌনা উই। ঐনা অমুক য়েংলুদ্রবসু মরনাই অদুম লৈজরবনি। ঐনা অমুক লৈশি লৈথোন্দ্রবসু মরনাই অদুম ফজরবা তাইবঙপাননি। পাক্লবা লমহাংনি।

ইচম চম্বা ৱাফমসি নুপামচাদুগী থৱায়দা ফূং ঙান্থোরকই। য়েৎননীংঙাই ওইদ্রবা। প্রমান চঙদ্রবা। মশানা পোপ তাজরবা। অচুম্বা তিঙ্গাংকোক। মঙাল মপুম অমগী মশেক অমতং নুংথিল কয়াগী নুংথিল অমদা।■

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'মীৎকুপ অমতং' দগী লৌখৎচবা)*

# 'শম্বল'

(হান্নগী মখা...)

: ঐখোয় ইনেগী মচানুপী অমা লুহোংবগী মখোয়দা মতম খরা লৈরুবনি।

: অদো নঙ, ৱাফম অদু ঐঙোন্দসু খরা হায়রম্বদি য়াদবরা?

: ঐসু তামো হৈবদা হায়রমগে হায়দুনা ফনা কন্নদি হোৎনবনি। চৎলমদাইগী মতম অদুদদি, তামো হৈবদি নখোয়গী ইনেহোয়গা পুল্লপ মাঙ্গোলদা ৱারী শাদুনা ফম্লগা লৈখরে, অদুদা করম্না হায়রমদোয়নো।

: অনো নঙ পাম্বৈ অমা তৌরগা ঐঙোন্দা খঙহল্লম্বদি য়াবনি, নঙনা ঐঙোন্দা তৌরিবসে খরদি হেনমনখরে। তশেংনা, নঙনা ঐবু থম্মোয় শেংনা নুংশি হায়বসি থাজবা ঙল্লক্তরে।

: তামো হৈবা মরৈ য়াম্না তৌন্নগুমসিকো, ঐগা তঞ্জা ফংদে হায়রেদনা। অদো..., ঐহাক অসি মাঙখিবমক্তি নত্তেদনা, নঙোন্দা খঙহল্লমদবা অদুগীদমক .. ঐহাক্কী থম্মোয়দসু নুংঙাইতবা অমদি ফাওরিবনি, য়ারেসে শাওরনু, ঐনা লানখরে।

হৈবা অশাওবা অদু ফাত্থরগা তপ্না হায়রক্লে,

: লাতা ঐহাক শাওনিংবনদি লোইরবনি, অদুমকপু নঙগী ৱাহৈ অমনা থম্মোয়নুংদা লৈরল্লিবা অশাওবা অদুবুদি ফরে, মতুংদা অসুম্না খক তৌনরোয়সিকো।

লাতা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোরল্লগা হায়রক্লে,

: খঙদ্রেদা তামো হৈবা অমরোমদা, নখোয়গী অহল-লমনগা ঐখোয়গী অহল লমনগী অসুক য়াম্না য়ান্নদ্রিঙৈগী মরক অসিদা ঐখোয় অনীনা তৌগদৌরিবা অসিবু করিনো, লাইবক্লা ঐখোয় অনীগী তুংদা করি তন্বীরমগনি হায়বা অদুসু খঙবা ঙম্বা নত্তে।

: ঙসিদা, নৌহৌন্নমা লাইবক্লা তন্বীরম্বা নৎত্রগা তন্বীরমদবা হায়নগা পুথোরল্লিবা অসিনা করিগীনো ? লাইবক্লা তমগে তমল্লম্মু, তল্লমলোয় তোকউ, নঙগা ঐগা পুন্সি লৈপুন শেম্বা হায়বসি ঐহাক্কী লেংদ্রবা ৱাশক্লি, অদুগা অমরোমদা, মীওইবা ঐখোয়গী লাইবক হায়বা অসিসু ইশা ইশানা তৌরুবা থবক অদুগীসু মখা পোল্লি হায়না খল্লি।

: ফরে মসিগী ৱাফম অসি তোল্লসি, অদো ঐখোয় অনী মতমগী মতুংইন্না চেনবা চোংবা তৌরে হায়না খল্লসি, ইমুং অনীগী লৈন্নরিবা ফীভম অসিগা, মদুদা ওইরক্কদবা ময়াম অদুনা করম তৌগদৌরিবা।

: লাতা নঙনা, নোংমা নীনিখক মীগী ময়ুমদা লৈরুরগা তাবদা ৱাবা ৱাহৈ ময়াম অমা হায়রল্লিবসি করিগীনো ?

: হো ইবুংঙো ৱাখলদু শেরান্ননা খনবিরুগনু তুংদা করি তৌসিগে হায়বদু হৌজিক্তিগী খন্নসি হায়বনি।

-মথং-মথং

*কোংখাম চন্দ্রমনি*

# তেংবানবা তাইবঙপানবা ওইরকপা অমসুং মীতৈ হৌরকপগী ৱারী -৮

ইপুরোইবগী য়াথংদগী সোরারেনগী কংলৈ মশুমাংদা লাইয়াম ফম্বৈ ফমদুনা লৈশেম্বগী ৱা তানখ্রে। সোরারেন লাইয়াম পূম্নমক্লা লৈশেম্বা চৎলসি হায়না ৱা লেপ্পরে। লাইয়াম মরুপ পূম্নমক চয়োম চেঙজেন লাংনদুনা লৈশেম্বা চৎনবা থৌরাং লোইখরে। খূৎশু খূৎলায় অথৌবা পায়দুনা ঈপাক তম্না ষণচীং কৌব্রু লাইরৈপাক্তগী খোঙ শান্দোরক্লে। ষণচীং কৌব্রু চীংদোন্দগী ঈপাক তম্না চীংনুং লম্বেল লান্থোরক্তুনা মতম কুইনা চৎলগা তম্পাক ঈপাক লমদম য়ৌরক্লে। লাইগী মরুপশিংনা সোরারেননচিংদুনা খাগী ঈপাক ফংনরে। খাগী ঈপাক ঈচাওবু লাইশিংনা পূক্লিং হরাওনা য়েংখরে। চীংলেন চীংগোই অচৌবনা ঈপাকয়াইদা ঙাল্লিবদু উবদা লাইশিংগী পূক্লিং শুমহৎখ্রে। ঈপাক্কী ঈনুংবু মনুংদা হিয়াই নুংয়াইনা থেন্দুনা লৈবদু উবদা অঙকপদা থেংখরে। মদু উরগা লাইয়াম্না লাইনিংথৌ সোরারেন্দা হায়রকই, "লাইনিংথৌ ইবুংঙো ঈপাকসিদা লৈবাক শেম্বদা ওন্থোক্লা অফবা হায়বদু ওইগনি। ঈনুংদা লৈরিবা হিয়াই নুংয়াই ময়ামসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্তুদা হৌরকপা মহৈ-মরোং পূম্নমক সিদয়াই-নাদয়াই ওইগনি। মহৈশিং অদু চারগা তাইবঙনা পুন্সি নুংশাংবা অফবা ওইগনি। থিন্থবা তৌদনা লৈবাক শেম্বনা অফবা ওইরগনি।"

লাইশিংগী মপাউ তারগা সোরারেননা ঈপাক ময়ায়গী চীংগোই চীংলেন য়ৌনবা পাম্বৈ থিরসি হায়রক্লে। চৎননবা পাম্বৈদি 'হিয়াং হিরেন' শারগা চৎনবা পাম্বৈ ওইরসি লেপ্পরে। কৌব্রু চীংগী লোকচপ লমজাওদা হৌবা উজাও উরেন অথোইবা 'উগী নিংথৌ কৌরিবা' কৌবা উজাওবু য়ান্দুনা হিয়াং শাসি লেপ্পরে। লাইগী মরুপশিংনা 'উনিংথৌ কৌরিবা' য়ানখরে। হিয়াং হিরেন য়াইওইবা শাখরে। নৌরেলনচিংবসু শাখরে। লাইনিংথৌনা হিমাং থানা তোংদুনা লাইয়াম্না হিহোনলোই ওইদুনা ঈপাক মথক্তা 'হিয়াং' হোল্লক্লে। চীংগী চীংলাইনা পাইবগুম হিয়াং হিরেননা ঈপাকথক্তা য়াঙনা পাইরক্লে। চীংগোই চীংলেন মনাক্তা ঈপাক ঈতোন ঙাক্লিবী ইরাই লৈমগী মশাইকোন য়ৌরক্লে। হিয়াং হিরেন লেপ্তুনা ইরাই লাইজ উনরে। ইরাই লৈমগী মশাইকোন্দা লাইশিংনা হিয়াং থাংখিবা মফমবু 'হিয়াং থাং' হায়না লাইশিংনা খঙনরে। ইরাই লৈমগী মফমদা অৱা পোত্থাফম ওইদনা, লাইয়াম্না লাকপগী মরমসু সোরারেননা লিখরে। লৈতাখ্রবা ইরাই পুরেন অহনবু সোরারেননা কৌখৎতুনা লৈশেম্বগী মরম মথংশিৎনা লিখরে।

-মথং-মথং

*নিংঙোম্বম অমর (সিলহেনবা)*

# দত্তোপন্ত থেংগডি (শন্নপ্পা পুন্সি ৱারী-১)

(হান্নগী মখা...)

থবক পীরিবা অমসুং সরকারনা করিগুম্বা ঐখোয়গী মায়োক্তা লেপ্লবদি ঐখোয়সু মখোয়গী ময়োক্তা লেপকনি। অমসুং করিগুম্বা মতেং পাংলক্লবদি ঐখোয়সু মতেং পাংগনি। ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘনা অসিগুম্লবা থৌওং অসিবু রিসপোনসিপ কোওপরেসন হায়না মীংথোল্লি অমসুং থবক পীরিবা অমদি সরকারদসু ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা চৎনবা হায়খিবনি।

'লৈবাক্কী ইন্দষ্ট্রিলাইজেসন, ইন্দষ্ট্রিশিংদা মেনুলাইজেসনা তৌবা অমসুং শিন্মীশিংবু নেসনলাইজেসন' হায়রিবা মরম অহুম অসিনা অচৌবা মরম ওইদুনা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘগী পান্দমশিংবু তশেংনা ময়েক শেংহল্লি। 'লনগী পৈশা, থবক্কী ইকাইখুম্নবা, মমল চপ মান্নবা', 'লৈবাক্কী য়াইফনবা থবক তৌগনি হায়না থবক তৌবা, থবক তৌবগীদমক মতিক চাবা খূৎশুমল লৌগনি', 'বি এম এস. কী কনানা খঙলি- কৎথোকপা, লাইনিংবা অমসুং বলিদান' অমদি কম্যুনিষ্টশিংগী 'মালেমগী শিন্মীশিং অমত্ত ওইরো' হায়বগী মহুত্তা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘনা স্লোগান অমা হায় মদুদি - 'শিন্মীশিং মালেমবু অমত্তা ওইহল্লু' অমদি কম্যুনিষ্টশিংগী 'ইনকলাব' অমসুং 'লাল সলাম' হায়নবগী মহুৎতা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘনা 'ভারত মাতা কী জয়' অমদি 'বন্দেমাতরম' হায়বা হৌরকখি পূম্নমক অসি শিন্মীশিংগী মফমদদি হান্না শীজিন্নরম্বা অমত্ত নত্তে।

ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘনা অঙাংবা মচুগী মহুৎতা য়াইঙং মচু (সেফ্রোন কলর) গী ফিরালবু শীজিন্নখি অমসুং থাঙ্গোল অমসুং নূংথংগী মহুৎতা মীওইবগী খুবি অমসুং ওদয়োগ চক্র (ইন্দষ্ট্রিজ ৱিল) বু মখোয়গী সিম্বোল ওইনা শীজিন্নখি। কম্যুনিষ্টশিংগী 'মে দে' গী মহুৎতা 'বিশ্বকর্ম জয়ন্তি' (১৭ সেপ্তেম্বর) বু শিন্মীশিংগী নেসনেল লেবর দে ওইনা লাওথোকখি।

অসিগুম্না তপ্না-তপ্না মাঙ থারদুনা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘনা কম্যুনিষ্টশিংগী লাল কিলেদা অঙাংবা মচুগী দাকফমগী ৱাখল্লোলশিংবু পুংমাঙ মাঙহনখি। ইং কুমজা ১৯৫৫ তা দত্তোপন্ত থেংগডিনা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘ লীংখৎখি। মতম অদুদা মালেম অমদি ইন্দিয়াদসু কম্যুনিষ্টকী ওইবা অচৌবা মফম অমা ওইরমখি। মায়কৈ অমরোমদা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘ জেরোদগী হৌগৎলকখিবনি, মতম অদুদা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘগী ওইনা য়ুনিয়ন, ট্রেজরি, ওফিস অমসুং সঙ্ঘগী থবক তৌনবা মীশিং লৈরমখিদে। য়েক্লবা এসোসিয়সনশিং, গভর্ণমেন্ট, থবক পীরিবা মীওইশিং অমসুং শক্তি পায়রিবা মীওইশিংনা নৌনা শেমগৎলক্লিবা এসোসিয়সন অসিবু হৌরকপদগী হৌনা মাঙহন্নবা অমদি মুৎখিনবা হোৎনখিদবসু নত্তে। -মথং-মথং

*হিন্দিদা- অমরনাথ ডোগরা, মণিপুরীদা - ডা. অহোংশাংবম সুন্দর*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।